# স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা সাইখোম মিরাবাইগী য়ু এসকী ত্রেনিং অয়াবা পীখ্রে



ন্যুদিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ৱেথলিপ্তিংদা মমিং লৈরবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মণিপুর মচা সাইখোম মীরাবাই চনুনা য়ু এস এদা ত্রেনিং তৌবগী প্রোগ্রাম অদু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীখ্রে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মীসন ওলিম্পিক সেলনা মমাংদা মীরাবাই চনুনা পুখৎলকখিবা য়ু এস এদা ত্রেনিং তৌবদা চংগদবা লুপা লাখ ৪০গী সেঙসন অদু অয়াবা পীরকখিবনি। মীরাবাই চনুনা য়ু এস এগী কনসাসতা মহাক্কী কোচ অমসুং ফিজিওথেরাপিষ্ট য়াওনা থা অনীগী ওইবা ত্রেনিং তৌগদৌরিবনি।

ত্রেনিং অদুগা লোয়ননা মহাক্কী মমাংদগী হৌনা শোক্তুনা নুঙাইতবা লৈরকপা অদুগী লায়েংগী খুদোংচাবসু ফংগদৌরি।

মীরাবাইগী ত্রেনিং অমসুং লায়েংবগী শেনফম অদু ঙরাং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অতোপ্পা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ৫গা লোয়ননা কাইথোকখিবা লুপা ক্রোর ১.৫গী মনুং চনখিবনি। অতোপ্পা দিসিপ্লিন অদুদি, শুটিং, বেদমিন্টন, বোক্সিং, পেরা স্পোর্টস অমসুং হোকিনি।

নীংশিংবা য়াই, সাইখোম মীরাবাই চনু কুমজা ২০১৭তা য়ু এস এনা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড ৱেথলিপ্তিং চেম্পিয়নশিপপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মদুগী মতুংদা কুমজা ২০১৮দা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতসু গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মীরাবাইনা কুমজা ২০১৪দসু স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতসু ৱেথলিপ্তিংগী কিলোগ্রাম ৪৮দা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি। সাইখোম মীরাবাই চনু কুমজা ২০১৮গা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদা পীবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা খেল রত্না এৱার্দসু ফংখ্রবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কম্মিটিনা শুটর অঞ্জুম মোদগিল অমসুং মাইরাজ অহমদ খান্না ত্রেনিং চথবদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং লৈননবগী শেনফমশিং অদুসু সেঙসন তৌখি। কম্মিটি অসিনা মখা তানা ইন্দিয়াগী বোক্সর বিকাস কৃষননা মহাক্কী কোচ রোন সিমস জুনিয়রগা লোয়ননা য়ু এস এদা ত্রেনিং চথবগী চঙগদবা থা অহুমগী শেনফমশিং অদুসু সেঙসন তৌখি। বেদমিন্টনগী শান্নরোয় কিদম্বি শ্রিকান্ট, সাইনা নেহৱাল অমসুং লক্ষ্যা সেননা দেনমার্কতা শরুক য়াগদবা টুর্নামেন্টতা মথৌ তাবা শেনফমশিং অদুগী অয়াবা পীখি। ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা শান্নরোয়শিংদা পীবা মতেং লেপহল্লোই হায়খি।

# স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভা মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী লম্বা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



পেরিস, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): চহী অসিগী অহুমশুবা টেনিসকী গ্রান্দস্লাম টুনামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং নুপীগী কাঙলুপ্তা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভা মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেচশিং মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১৯গী ফ্রেঞ্চ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা বেলারসকী শান্নরোয় ইগোর জেরাসিমোবকা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৪, ৬-৪, ৬-২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবা শান্নখিবা নুপীগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা ইজিপকী শান্নরোয় মায়র সেরিফকা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু ৬-৭ (৯-১১)দা মায়থিখ্রব মতুং অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদু ৬-২, ৬-৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা লাটভিয়াগী শান্নরোয় জেলেনা ওষ্টাপেনকোগা শান্নরগনি। ওষ্টাপেনকোনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা য়ু এস এগী শান্নরোয় মেদিসন ব্রিঙ্গলবু ৬-২, ৬-১দা থোইরম্বনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী দনিল মেদবেদেবপু হঙ্গেরিগী শান্নরোয় মার্টোন ফুকচোভিসনা সেট ৩-১দা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট অদু ফুকচোভিসনা ৬-৪ দা থোইখি, অনীশুবা সেট অদুসু মহাক্না ৭-৬ তা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদু দানিলনা ৬-২ দা থোইরবা লম্বা মখা তাখি অদুবু মরিশুবা সেট অদু ফুকচোভিসনা ৬-১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ফুকচোভিসনা অনীশুবা রাউন্দ মেচতা স্পেনগী রামোস ভিনোলাসকা লম্বী তৌনরগনি। রামোসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ফ্রান্সকী মনারিনোবু থোইখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ১১ শুবা সিদেদ ওইরিবী স্পেনগী গারভিন মুগুরুজানা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় তমারা জিদান্সেকপু সেট ২-১ দা থোইখি। অহানবা সেট মুগুরুজানা ৭-৫ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদু তমারানা ৬-৪ দা থোইবদগী দিসাইদিং সেট শান্নখি। মদুদা মুগুরুজানা ৮-৬ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা ঙরাং এলিস কোর্নেটনা সোই পাকিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী অহানবা রাউন্দ মেচ অমদা রসিয়াগী শান্নরোয় অনী লম্বা তৌনখি। মদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা কারেন খাচানোভনা কামিন মজ্রাকপু ৭-৬ (৭-৩), ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইটালিগী মাটিও বেরেতিনিনা কানাদাগী শান্নরোয় বাসেক পোস্পিসিনবু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৩, ৬-১, ৬-৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোয় লোইদ হেরিজগা লম্বী তৌনগনি। হেরিজনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় এলেজৈ পোপিরিনবু ৬-৪, ৬-৪, ৭-৬ (৯-৭) দা থোইরম্বনি।

# চেম্পিয়ন লিবরপুল এফ সিনা অর্সনেলবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯-২০ সিজনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা লিবরপুল ফুটবোল ক্লবনা ঙসি শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা অর্সনেলবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৯ ফংদুনা অতোপ্পা টিম অহুমগা মাংজিল থামিন্নরি।

ঙসি লিবরপুল এফ সিনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা এনফিল্ড ফুটবোল ষ্টদিয়মদা অর্সেনেলবু য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্নবা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মেচকী ২৫শুবা মিনটতা অর্সেনেলগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর লকাজেটনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

লীগ অসিগী চেম্পিয়ন লিবরপুলগী মায়কৈদগী য়াম্না অথুবা মতমদা টিম অদুগী শান্নরোয় সাদিও মানেনা মেচকী ২৮শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীম্মক অহানবা হাফ অদুদা লেং মান্নবা লৈখি।

মেচ অদু মখাতানা শান্নরকপা অহানবা হাফ অদু লোয়গদবা মতম খর ৱাৎলিঙৈ লিবরপুলগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক্ট অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় ট্রেন্ট অলেকজেন্দর অর্নোল্ডনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এন্দ্রিউ রোবার্টসননা ৩৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা লিবরপুলনা অর্সনেলবু পাঞ্জল ২-১দা হেল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা অর্সনেল ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা এটেক্ট পুম্নমক কান্নবা ফংদনা লৈখি। লিবরপুলগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল হাপ্পা ঙমদুনা মেচ অদু মখা চথরকখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা লিবরপুলগী দি জেটানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অর্সনেলবু ৩-১দা থোইদুনা লীগ অসিদা পোইন্ট ৯ ফংবা ঙম্লি।

# মখা তানা এপ্লাই তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনশিংগী মখাদা লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা অতোপ্পা ক্লবতা শান্ননবগীদমক ট্রান্সফরগী এপ্লাই তৌরকপা মখা তারক্লি।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঈ এস য়ুদা য়াওননবা কে ৱাই এফ এদগী এম দি ইলিয়জ খান, এন ঈ এস য়ুদা য়াওননবা চে থাগৎলকখিবা নেরোরা এফ সিগী এম সোমোকান্ত অমসুং য়ু পি এ এদা য়াওনবগীদমক চে পীশিল্লকখিবা পি ৱাই এগী এম দি নাজির অহম্মদনি। ঙসি ট্রান্সফরগীদমক চে পীশিল্লকখিবা শান্নরোয় ৩ অসি থারদা ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী অপুনবা শান্নরোয় ৪৮ শুখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওইনা ঙসি ট্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌরকখিবা শান্নরোয় অদু এস সি কেদা য়াওননবা এন আই এস সিগী মাইবম সুরজনি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএনসন ককচিংগী মায়কৈদগী টি য়ু সি থোংজাওদা শরুক য়ানবগীদমক এপ্লাই তৌরকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এস দব্লিউ সি ৱাইখোংদগী ৱাই দেনি অমসুং সি ঐচ সুভাসনি। অদুগা জে এ ককচিংদা শরুক য়াননবা আই ৱাই এ, ককচিংগী এম এমর মৈতৈনি।

# ওনলাইন কোর্স অমসুং ৱর্কসোপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ওক্টোবর থাদা ওনলাইন কোর্স অমসুং ৱর্কসোপ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওক্টোবর ২দগী ৪ ফাওবা গোলকিপিং ইন্ত্রোদক্টরি সার্টিফিকেট কোর্স, ওক্টোবর ৭তগী ৯ ফাওবা ফুটসাল ইন্ত্রোদক্টরি সার্টিফিকেট কোর্স অমসুং ওক্টোবর ১২দগী ১৬ ফাওবা স্কাউটিংগী ৱার্কসোপ পাঙথোক্কদৌরিবনি।

কোচশিংনা কোর্সশিং অসিদা শরুক য়ান্নবগীদমক রেজিষ্টর তৌগদবা ৱেবসাইট অদুদি http://coaching.the-aiff.comনি হায়রি।

# বোলোগনা পার্মা কালসিওবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে



রোম, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): ইটালিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা বোলোগনা পার্মা কালসিওবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ১০শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

পার্মা কাসিওগী টিম মমাংদা শান্নখিবা মেচ অমা মায়থীদুনা লৈখিবনি। অমরোমদা বোলোগনাগী টিম মখোয়গী অহানবা মেচ অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমা ফংলগা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপা ১৬শুবা মিনটতা বোলোগনাগী মায়কৈদগী রোবার্টো সোরিয়ানোনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা পার্মাবু মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাফ অদুগী ৩০শুবা মিনটতা মখাতানা রোবার্টো সোরিয়ানোনা অমুক্কা য়াম্না ফজবা বোল অমা ফংবদগী পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদুদা মহাক্কী টিম অদুনা পার্মাবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। হাফ অদুগী মখাতাবা মিনট ১৫গী মতম অদুদা পার্মাগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল ২ অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১১ চংশিল্লকপদা মখা তানা মেচ অদুদা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈরিবা বোলোগনাগী মায়কৈদগী রোবার্টো সোরিয়ানোনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এন্দ্রিয়স স্কোব ওলসেননা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পার্মা কালসিওগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা গাষ্টোন ব্রুগমেননা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট হরনানিনা পাঞ্জল অমা চনখি। মেচকী অরোইবা মিনটতা এটেক্ট হেঞ্জিল্লকখিবা বোলোগনাগী মায়কৈদগী রোদ্রিগো পালাসিওনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মখোয়না পার্মাবু ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

# থকসি-খাসি, কন্না হোৎনবা, অফবা চীঞ্জাক অমদি পোত্থাবা শান্নরোইশিংদা মরুওইঃ অমরজিৎ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ফুটবোল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোক, কে ৱাই সি ৱাইনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা থা অহুম চুপ্পা চৎথগদবা ফুটবোল কোচিং কেম্পকী শরুক অমা ওইনা ইন্টর্নেসনল ফুটবোল প্লেয়র কিয়াম অমরজিৎনা কোচিং কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগা ইন্টরেক্সনগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা শান্নরোইশিংনা অফবা লমচৎ শাজৎ, থকসি খাসি, অফবা চীঞ্জাক, খাঙবা কনবা, কন্না হোৎনবা অমদি মপুংদনা হকচাংবু পোত্থাবা হায়বশিং অসি য়াম্না মরু ওই হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইনা শরুক য়ারুবা কিয়াম অমরজিৎনা মখাতানা শান্নরোয়শিংনা করম্না মীথোই মীহেন্না শান্নগনি হায়বগী মতাংদা শুগাইনা ৱাফম কয়া থমখি। লোয়ননা শান্নরোইশিংনা দিসিপ্লিন, হার্দ ৱর্ক, গুদ দাইত অমদি ৱেষ্ট অসি খ্বাইদগী মরু ওই। হায়রিবশিং অসি শান্নরোয়শিংনা ঙাক্না চৎপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

অমদি মহাক্কী পোক্নফম অমসুং হৌরকফম ওইরিবা লমদম কেক্রুগী শান্নরোয়শিংবু মহাক্না অঙম্বা মফম খুদিংমক্তা মতেং পাংগনি হায়নসু শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎখি। অমরজিৎনা কেক্রু খুল লৈকাই মীয়ামদগীসু মহাক্না মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইজগে হায়বগী থৌজাল অমসু নিখি। অমদি শান্নরোয়শিংবুসু মঙোন্দগী হেন্না ফবা শান্নরোয় অমমম ওইবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা অমরজিৎনা শান্নবা হৌরকপদা অহানবা তম্বীরকখিবা ওজা দেভেন, য়াইরি ক্লবকী সেক্রেটরী লোংজম দিজেন, ক্লব অসিগী এদভাইজর এল সোমোরেন্দ্রো, পুয়াম টিকেন, অথোকপম সুনিল, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি হুইদ্রোম লৈশেম্বা, হান্নগী ফাইনান্স সেক্রেটরি চকপ্রম ওকেন, ৱাই এম সি ৱার্দ নম্বর ৯গী মেম্বর মাইবম শেল্লুং কোচিং কেম্প অদুগী কোচ ওইরিবা কেবী, অমরজিৎকী অপোকপা চন্দ্রমণি, অপোকপী অশং দেবী অমদি ক্লবকী থৌবুরোই কয়া অমসুং শান্নববু নুংশিজবা মীওই কয়া অমসু শরুক য়াখি।

লোয়ননা কোচিং কেম্প অসিদা লাকপিদুনা শরুক য়াবীরিবা ইন্টর্নেসনল প্লেয়র অমরজিৎ অমদি মতেং পাঙবীরকখিবা খ্বাই পুম্নমকপুসু য়াইরি কেক্রু য়াইরি ক্লবনা থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

# সনরাইজর্স হায়দরবাদনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ১৫দা মায়থীবা পীদুনা আই পি এল ২০২০গী অহানবা মেচ মায়পাকপা ঙমখ্রে



অবু ধাবী, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙসি অবু ধাবীদা লৈবা সৈখ জায়দ ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ১১শুবা মেচতা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ১৫দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা মায়পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি মেচ অদুগী টোস দিল্লি কেপিটেলসনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা সনরাইজর্স হায়দরবাদগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটচমেন ৪ আউট ওইরগা রন ১৬২ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী হৌরকপদা ওপনর অমসুং কেপ্টেন ওইখিবা দেবিদ ৱার্নর অমসুং বার্ষ্টোনা রন ৭৭কী পার্টনর্সিপ অমা শেম্বা ঙমখি। ৱার্নর বোল ৩৩দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৫দা আউট ওইখি। মখাতানা চংলকখিবা মনিস পান্দে রন ৩দা ঙন্না আউট ওইখি।

৪শুবা বেটচমেন ৱিলিয়মসন অমসুং বার্ষ্টোনা টিম অদুগী অপুনবা স্কোর অদু ১৪৪ ফাওবা য়ৌহনখি। ইন্নিংসকী ওভর ১৮দা বার্ষ্টো বোল ৪৮দা সিক্স ১ অমসুং ফোর ২ য়ৈরল্লগা রন ৫৩দা আউট ওইখি। টিম অদুগী ইন্নিংস অদু রন ১৬২দা লোইশিনখি।

মায়পাক্নবা দিল্লি কেপিটেলসকী মায়কৈদগী রন ১৬৩ লৌবগী টার্গেট লৈখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৪৭খক লৌদুনা রন ১৫দা মায়থীবা নংখি।

নীংশিংবা য়াই, দিল্লি কেপিটেলসকী টিম অসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা শান্নখিবা মেচ অনীম্মক মায়পাক্তুনা লাকখিবা টিম অমনি। মখোয়না ঙসিগী মেচ অদু মায়পাক্নবা শান্নরকপদা ওপনর পৃথিবী সো অমসুং সিখর ধৱননা ইন্নিংস হৌরকখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর পৃথিবী সো শুপ্নগী রন ২ খক লৌরল্লগা আউট ওইদুনা ফিভম শোকপা হৌখি। দিল্লি কেপিটেলসকী কেপ্টেন শ্রিয়াস আয়র অমসুং সিখর ধৱননা মখাতাবা ইন্নিংস শান্নরক্তুনা মায়পাকপগী লম্বেল অদু য়ৌননবা হোৎনরকখি।

টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ৪২ শুরকপদা আয়র রন ১৭তা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং ওপনর সিখর ধৱনসু বোল ৩১দা রন ৩৪ লৌরল্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা ফোর ৪ য়ৈরমখি।

দিল্লি কেপিটেলসকী শান্নরোয়শিংনা মখাতানা শান্নরকপা অদুদা ফজবা পার্টনর্শিপ অমত্তা শেম্বা ঙমখিদবা মরম্না ইন্নিংস অদুগী ওভর ২০ লোয়শিল্লকপদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৪৭খক লৌখিবা মরম্না মেচ অদু সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রন ১৫দা থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং ১২শুবা মেচতা রাজষ্টান রোয়লস অমসুং কোলকটা নাইট রাইদর্সনা দুবাইগী ইন্টর্নেসনল ষ্টদিয়মদা শান্নরগনি।

/JOB VACANCY

1. Sales Executive
(Tbl., Kakching, Nambol, Moirang, Sekmai)
2. Security
3. Driver (Unmarried)
4. 2 Wheeler Mechanic
5. Gr. - IV

N.B : All Posts Salary Starting from Rs. 5,000/- to 30,000/- without Incentive +Bonus.

*Please Contact,* **M.M. Singh**
Mobile No. 8413973840

HL/B/6352/28




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com